

# সনালৈবাক স্পোর্টস





*আই সি সি টেষ্ট রেঙ্কিংগী বোল্লিংদা কেরিয়রগী খ্বাইদগী ফজবা ওইনা টোপ টেনগী মনুং চনখ্রবা ইন্দিয়াগী ফাষ্ট বোল্লর মোহমদ সামী*

*আই টি টি এফ চেলেঞ্জ ইন্দোনেসিয়া ওপনগী নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল লৌখ্রবা ইন্দিয়াগী পেদ্দলর হরমিত দেসাই*

## এসিয়ান য়ুঠ বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী নুপী বোক্সরশিংনা গোল্ড ৫ লৌখ্রে, নুপানা সিলভর ২ ফংখ্রে



*উলানবাটর, নবেম্বর ১৭ (এজেন্সি)ঃ* মোঙ্গোলিয়াগী সিটি উলানবাটরদা চখরকপা এসিয়ান য়ুঠ বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী নুপী বোক্সরশিংনা গোল্ড মেডল ৫ লৌখ্রে, লৈবাক অসিগী নুপা বোক্সরশিংনা সিলভর ২ ফংখ্রে।

এসিয়ান য়ুঠ বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা গোল্ড মেডল ফংবা ঙমখ্রবী ইন্দিয়াগী বোক্সরশিং অদুদি নাওরেম চনু (কেজি ৫১), ভিনকা (কেজি ৬৪), সনামচা চনু (কেজি ৭৫), পুনম (কেজি ৫৪) অমসুং সুস্মা (কেজি ৮১) নি।

পনবা য়াই, এসিয়ান য়ুঠ বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী নুপী বোক্সর ৫ ফাইনেল য়ৌখিবদা বাওট ৫ মক মায় পাক্তুনা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখিবনি।

এসিয়ান য়ূথ বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী নুপীগী কেজি ৫১ গী কেটেগোরিদা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী বোক্সর মণিপুর মচা নাওরেম চনুনা ফাইনেল বাওটতা কজাখস্থানগী বোক্সর অনেল বারকিয়াবু য়াম্না লায়না মায়থিবা পীরম্লগা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি।

নুপীগী কেজি ৬৪ গী কাঙলুপ্তা শরুক য়াখিবা লৈবাক অসিগী বোক্সর ভিনকা চাইনাগী বোক্সর হাইনি নুলাটাইয়ালিবু মায়থিবা পীরম্লগা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখিবনি।

ইন্দিয়াগী টিমদা শরুক য়ারিবা অতোপ্পা মণিপুরগী নুপী বোক্সর সনামচা চনুনা কেজি ৭৫ গী কেটেগোরিদা শরুক য়াদুনা ঙসি থিন্নখিবা ফাইনেল বাওটতা উজবেকিস্থানগী বোক্সর নভবাখোর খামিচোভাবু মায়থিবা পীরম্লগা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি।

পনবা য়াই, মণিপুরগী বোক্সর সনামচা চনু লিজেন্দরি বোক্সর এম সি মেরি কোমগী মণিপুরদা লৈবা বোক্সিং একাদেমীদা ত্রেনিং চখদুনা লাকপা বোক্সরনি। নুপীগী কেজি ৫৪দা শরুক য়ারিবী ইন্দিয়াগী বোক্সর পুনমসু ঙসি পাঙথোকখিবা ফাইনেল বাওটতা চাইনাগী ৱৈকি কাইবু মায়থিবা পীরম্লগা এসিয়ান য়ুঠ বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা গোল্ড মেডল ফংদুনা ইন্দিয়াগী একাউন্ট হাংদোকখিবনি।

নুপীগী কেজি ৮১ গী কেটেগোরিদা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী বোক্সর সুস্মানা ফাইনেল বাওটতা কজাখস্থানগী বোক্সর বাকিটঝানকিজিবু মায়থিবা পীরম্লগা গোল্ড মেডল ফংখিবনি।

নুপাগী কাঙলূপ্তা সিলভর মেডল ফংখ্রবা ইন্দিয়াগী বোক্সরশিং অদুদি সেলে সোই (কেজি ৪৯) অমসুং অনকিট নরৱাল (কেজি ৬০) নি। সেলেনা ফাইনেলদা কজাখস্থানগী বাজারবেগী মখূত্তা মায়থিহৌবনি অদুগা অনকিত নরৱালনা ফাইনেল বাওটতা জপানগী বোক্সর রৈটো সুটসুমেগী মখূত্তা মায়থিহৌখি।

উলানবাটরদা পাঙথোকখিবা য়ুঠ বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা ইন্দিয়ানা পুন্না মেডল ১২ ফংবা ঙমখি। ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ব্রোঞ্জ মেডল ফংখ্রবা বোক্সরশিং অদুদি অরুনদাতি চৌধারি (কেজি ৬৯), কোমলপ্রিত কৌর (কেজি ৮১ মথক), জাইসমিন (কেজি ৫৭), সটেন্দর সিংহ (কেজি ৯১) অমসুং অমান (কেজি ৯১ মথক) নি।

## জর্মনি অমসুং ক্রোএসিয়া মখোয়–মখোয়গী মেটচশিং মায় পাক্তুনা য়ুরো ২০২০ গী ক্বালিফাই ওইখ্রে



*বর্লিন, নবেম্বর ১৭ (এজেন্সি)ঃ* য়ুরোপ্তা পাঙথোকপা মকোক থোংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা য়ুরো ২০২০ গী ঙসি শান্নখিবা ক্বালিফায়িং মেটচশিংদা মায় পাক্তুনা জর্মনি অমসুং ক্রোএসিয়ান ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রে।

য়ুরো ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ 'সি' গী লীগ মেটচ অমদা জর্মনিনা বেলারসপু গোল ৪–০ দা মায়থিবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বালিফাই ওইবা ঙমখি।

জর্মনি অমসুং বেলারসনা শান্নখিবা মেটচ অসি হেক হৌবদগী য়াম্না লম্বা মান্নরকখিদগী অহানবা হাল্ফকী অয়াম্বা মতম হৌজিনখ্রবা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী গোল অমত্তা চন্নদনা লাকখি।

মতম কুইনা গোল চন্নদনা লাকখ্রবা মতুং মেটচকী ৪১শুবা মিনটতা জর্মনিগী শান্নরোইশিংনা চখরকখিবা এটেক অমদা মাথিয়াস গিন্টরনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা ১–০ দা হেল্লগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদসু গোল মাঙজিল থারিবা জর্মনিগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চখদুনা লাকখি। মেটচকী ৪৯শুবা মিনটতা জর্মনিগী অতোপ্পা শান্নরোই লিওন গোরেটজকানা গোল অমগা চনশিন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থাদুনা লাকখি।

বেলারসকী শান্নরোইশিংনা শোত্থখিবা গোলশিং অদু হন্দোকপা ঙমদনা লৈরিঙৈ মেটচকী ৫৫শুবা মিনটতা জর্মনিগী শান্নরোই টোনী ক্রুজনা গোল অমগা হাপচিন্দুনা ৩–০ দা মাঙজিল থারগা চৎখি।

শান্নবগী ৭৫শুবা মিনটতা বেলারসনা ফংখিবা পেনাল্টি অমা টিম অসিগী শান্নরোই ইগোর ষ্টাসেভিসনা গোল ওন্থোকপা ঙমখিদে। মেটচকী ৮৩শুবা মিনটতা জর্মনিগী মায়কৈদগী অহুমশুবা গোল চনখিবা টোনী ক্রুজনা গোল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অসি ৪–০ দা বেলারসপু মায়থিবা পীরম্লগা য়ুরো ২০২০ গীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখি।

য়ুরো ২০২০ ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ 'ই' গী লীগ মেটচ অমদা ক্রোএসিয়ানা স্লোভাকিয়াবু গোল ৩–১ দা মায়থিবা পীদুনা লৈবাক অসিসু টুর্নামেন্ট অসিগীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখি।

অহানবা হাল্ফ শান্নরকপা মতম কুইনা গোল চন্নদনা লাকখ্রবা মতুং মেটচকী ৩২শুবা মিনটতা স্লোভাকিয়াগী শান্নরোই রোবার্ট বোজেনিকনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা গোল শোত্থরিবা ক্রোএসিয়াগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চখদুনা গোল হন্দোক্লবা হোৎনরকখি। মেটচকী ৫৬শুবা মিনটতা ক্রোএসিয়াগী শান্নরোই নিকোলা ব্লাষ্টিকনা গোল অমা চন্দুনা ইক্বেলাইজর ওইহনখি।

ইক্বেলাইজর ওইখ্রবা মতুং ইকান কান্নদনা মেটচকী ৬০শুবা মিনটতা ক্রোএসিয়াগী শান্নরোই ব্রূনো পেটকোভিসনা গোল অমগা চন্দুনা ২–১ দা মাঙজিল থাখি। মেটচকী ৭৪শুবা মিনটতা ক্রোএসিয়াগী শান্নরোই ইভান পেরিসিকনা গোল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অসি ৩–১ দা মায় পাক্তুনা টুর্নামেন্ট অসিদা ক্বালিফাই ওইবা ঙমখি।

ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ 'আই' গী লীগ মেটচ ৱার্ল্ড নম্বর ৱান বেলজিয়মনা রুশিয়াবু গোল ৪–১ দা মায়থিবা পীখি। মেটচকী ১৯শুবা মিনটতা বেলজিয়মগী শান্নরোই থোরগান হাজার্দনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা মাঙজিল থাখি।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৩৩ অমসুং ৪০শুবা মিনটতা বেলজিয়মগী শান্নরোই ইদেন হজার্দনা গোল অনী চন্দুনা ৩–০ দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৭২শুবা মিনটতা বেলজিয়মগী শান্নরোই রোমেলু লুকাকুনা গোল অমা চন্দুনা ৪–০ দা মাঙজিল থাখ্রবা মতুং ৭৯শুবা মিনটতা রুশিয়াগীশান্নরোই জিওরজি ঝিকিয়ানা গোল অমা হন্দোকপা

### ক্রোসৱার্দ ৩৪১ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| G | R | A | T | E | | A | R | E | A | | S | L | A | T |
| A | A | R | O | N | | R | E | N | T | | T | I | L | E |
| L | I | M | E | S | | M | I | S | E | R | A | B | L | E |
| A | L | I | | N | O | O | N | | | A | K | R | O | N |
| | | S | T | A | R | R | | R | E | H | E | A | T | S |
| N | A | T | U | R | E | | A | I | M | S | | | | |
| U | N | I | T | E | | M | I | N | I | | I | C | E | S |
| D | E | C | O | | F | I | R | S | T | | S | O | R | T |
| E | W | E | R | | I | S | E | E | | M | A | N | I | A |
| | | | | S | L | E | D | | R | E | A | D | E | R |
| S | C | E | P | T | E | R | | P | I | E | C | E | | |
| C | A | R | L | O | | | L | O | O | K | | N | N | E |
| A | N | N | A | P | O | L | I | S | | E | A | S | E | D |
| R | A | I | N | | L | E | S | S | | S | P | E | E | D |
| F | L | E | E | | D | O | P | E | | T | E | D | D | Y |

## এ টি পিগী ফাইনেলদা গ্রিসকী সিটসিপাস অমসুং ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়েম শান্নরগনি

*লন্দন, নবেম্বর ১৭ (এজেন্সি)ঃ* ইংলেন্দগী কোনুং লন্দনদা চখরকখিবা চহী অসিগী লোইশিল্লকপদা পাঙথোকপা টেন্নিস মশান্নগী টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা এ টি পি ফাইনেলসকী ফাইনেল মেটচতা গ্রিসকী সিটসিপাস অমসুং ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়েম লম্বা তৌনরগনি।

এ টি পি ফাইনেলস অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা ৬শুবা সিদেদ গ্রিসকী ষ্টেফানোস সিটসিপাসনা ৩শুবা সিদেদ শান্নরোই স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদররবু ৬–৩, ৬–৪ দা মায়থিবা পীরম্লগা ফাইনেল য়ৌরকপনি।

ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা সেমি ফাইনেল মেটচ অমদনা ৫শুবা সিদেদ ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়েমনা ৭শুবা সিদেদ জর্মনিগী আলেকজেন্দর জ্বেরেভপু ৭–৫, ৬–৩ দা থোইরম্বনি।

গ্রিসকী সিটসিপাস অমসুং ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়েমনা শান্নগদবা এ টি পি ফাইনেলসকী ফাইনেল মেটচ অদু ঙসি অথেংবদনি।

এ টি পি ফাইনেলস অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী দবলসকী ফাইনেল মেটচতা ৭শুবা সিদেদ ফ্রান্সকী পেয়র নিকোলাস মাহুট অমসুং পিয়েরি হুগেস হর্বর্টনা ৫শুবা সিদেদ সাউথ অফ্রিকাগী রাবেন ক্লাসেন ওষ্ট্রেলিয়াগী মাইকেল ভেনসপু ষ্ট্রেট সেটতা মায়থিবা পীরম্লগা টাইটল লৌবা ঙমখি।

ফাইনেল মেটচ অসিগী অহানবা সেটতা ফ্রান্সকী পেয়রনা সাউথ অফ্রিকা অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী পেয়রগী সার্ভিস গেম অমা ঙন্না ব্রেক তৌদুনা ৬–৩ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা সেটতা ৬–৪ দা থোইদুনা টাইটল লৌখি।

## চাইনাগী চেন য়ুফে অমসুং হোং কোংগী লি চিয়ুকনা হোং হোং ওপনগী সিঙ্গলসকী টাইটলশিং লৌখ্রে





*হোং কোং, নবেম্বর ১৭ (এজেন্সি)ঃ* হোং কোংদা থা অসিগী ১২ দগী চখরকপা য়ু এস দোল্লর ৪০০,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা হোং কোং ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা চাইনাগী চেন য়ুফে অমসুং হোং কোংগী লি চিয়ুকনা নুপী অমসুং নুপাগী সিঙ্গলস টাইটলশিং লৌখ্রে।

হোং কোং ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী ফাইনেল মেটচতা ৩শুবা সিদেদ শান্নরোই চাইনাগী চেন য়ুফেনা ৫শুবা সিদেদ থাইলেন্দগী রাটচানোক ইন্টানোনবু গেম ২–১ দা মায়থিবা পীরম্লগা টাইটল লৌবা ঙমখি।

নীংশিংবা য়াই, চাইনাগী চেন য়ুফেনা ঙরাং শান্নখিবা মহাক্কী সেমি ফাইনেলদা য়ু এসকী ঝাং বৈৱেনবু ২১–১৮, ১৪–২১, ২১–১৫ দা থোইবা ঙমখি। অদুগা থাইলেন্দগী রাটচানোক ইন্টানোননা ঙরাং শান্নখিবা মহাক্কী সেমি ফাইনেলদা অনীশুবা সিদেদ জপানগী অকানে য়ামাগুচিবু ২১–২৩, ২১–১৫, ২১–১২ দা থোইরম্বনি।

নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেল মেটচ অসিগী অহানবা গেম চাইনাগী চেন য়ুফেনা ২১–১৮ দা থোইদুনা গেম অমা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা গেমদা থাইলেন্দগী রাটচানোকনা য়াম্না ফজবা মশান্না খরা উৎপা ঙমখিবদগী চাইনাগী চেন য়ুফেবু ২১–১৩ দা থোইদুনা শান্নরোই অনীমক গেম অমমম মান্নদুনা লাকখি।

অহুমশুবা অমদি দিসাইদিং গেম শান্নরকপদা চাইনাগী চেন য়ুফেনা থাইলেন্দগী রাটচানোক ইন্টানোনবু য়াম্না লায়না পোইন্ট ২১–১৩ দা থোইদুনা হোং কোং ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল অসি লৌবা ঙমখি।

হোং কোং ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী ফাইনেল মেটচতা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু লৈবাক হোং কোংগী শান্নরোই লি চিয়ুকনা ৮শুবা সিদেদ ইন্দোনেসিয়াগী সিনিসুকা গিন্টিবু গেম ২–১ দা থোইদুনা কাঙলূপ অসিগী টাইটল লৌবা ঙমখি।

পনবা য়াই, হোং কোংগী শান্নরোই লি চিয়ুকনা ঙরাং শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচতা ইন্দিয়াগী কিদম্বী স্রিকান্থপু ষ্ট্রেট গেম ২১–৯, ২৫–২৩ দা মায়থিবা পীরম্বনি অদুগা ৮শুবা সিদেদ ইন্দোনেসিয়গী শান্নরোই এন্থোনি সিনিসুকা গিন্টিংনা মহাক্কী সেমি ফাইনেল মেটচতা ৬শুবা সিদেদ অতোপ্পা ইন্দোনেসিয়াগী শান্নরোই জোনাথন কৃষ্টিবু ২২–২০, ১৪–২১, ২১–১৫ দা থোইরমখি।

ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেল মেটচ অসিগী অহানবা গেম ইন্দোনেসিয়াগী এন্থোনি সিনিসুকানা ২১–১৬ থোইদুনা গেম অমা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা গেমদা হোং কোংগী লিনা য়াম্না ফজনা শান্নরক্তুনা ২১–১০ দা থোইদুনা গেম অমমম মান্নদুনা লৈখি।

অহুমশুবা গেমদাশান্নরোই অনীমক য়াম্না অকনবা লম্বা মায়োক্নদুনা লাকখ্রবা মতুং হোং কোংগী লি চিয়ুকনা পোইন্ট ২২–২০ দা মায় পাক্তুনা নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল অসি লৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসকী টাইটল অদু সাউথ কোরিয়াগী পেয়র চোই সোল গিয়ুনা ২শুবা সিদেদ পেয়র ইন্দোনেসিয়াগী মোহমদ অহসান অমসুং হেন্দ্রা সেটিয়াৱানবু ১৩–২১, ২১–১২, ২১–১৩ দা থোইদুনা লৌখি।

হোং কোং ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী দবলসকী ফাইনেলদা ৩শুবা সিদেদ চাইনাগী চেন কিংচেন অমসুং জিয়া য়িফাননা সাউথ কোরিয়াগী পেয়র চাং য়ে না অমসুং কিম হিয়ে রিনবু ২১–১১, ১৩–২১, ২১–১৫ দা থোইদুনা কাঙলূপ অসিগী টাইটল লৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা মিক্স দবলসকী ফাইনেল মেটচতা ৪শুবা সিদেদ জপানগী পেয়র য়ুটা ৱাটানবে অমসুং এরিসা হিগাসিনোনা চাইনাগী পের হে জিন্টিং অমসুং জু য়ুবু ষ্ট্রেট গেম অনী ২২–২০, ২১–১৬ দা মায়থিবা পীরম্লগা কাঙলূপ অসিগী টাইটল লৌবা ঙমখি।

## আই সি সি টেষ্ট রেঙ্কিংদা সামী টোপ টেনগী মনুং চনখ্রে

*দুবাই, নবেম্বর ১৭ (এজেন্সি)ঃ* ইন্টরনেসনেল ক্রিকেট কাউন্সিলনা ঙসি লাওথোরকখিবা খ্বাইদগী নৌবা রেঙ্কিং লিষ্টতা ইন্দিয়াগী ফাষ্ট বোল্লর মোহমদ সামী টেষ্ট বোল্লিংদা খ্বাইদগী ফজবা ওইনা টোপ টেনগী মনুং চনবা ঙমখ্রে।

পনবা য়াই, ইন্দিয়াগী টিম্না হন্দক্তা বাংলাদেশকা ইন্দোরদা শান্নখিবা টেষ্ট মেটচতা ইন্দিয়াগী বোল্লর মোহমদ সামীনা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমদুনা বাংলাদেশকী বেটসমেন ৭ আওট ওইহল্লগা শুপ্নগী রন ৫৮ পীখিবা অসিনা মতেং ওইরগা ইন্দিয়ানা বাংলাদেশপু রন ১৩০ দা মায়থিবা পীখিবনি।

ঙসি থাদোরকখিবা বোল্লরগী রেঙ্কিং লিষ্ট অসিদা ইন্দিয়াগী বোল্লর মোহদম সামীনা রেটিং পোইন্ট ৭৯০ ফংদুনা ইন্দিয়াগী বোল্লরশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী ফজবা অহুমশুবা ওইরি। ইন্দিয়াগী বোল্লর কপিল দেভনা পোইন্ট ৮৭৭ ফংদুনা মকোক ওইখি অদুগা জস্প্রিট বুমরাহনা পোইন্ট ৯৩২ ফংদুনা অনীশুবা মফমদা লৈরি।

বাংলাদেশকা শান্নখিবা টেষ্ট মেটচ অসিদা দবল সেঞ্চুরি লৌখিবা ইন্দিয়াগী বেটসমেন ময়াঙ্ক অগরৱালসু মহাক্কী কেরিয়রগী খ্বাইদগী ফজবা ওইনা ১১শুবা পোজিসনদা হাইগৎপা ঙমখি।

## আই এ এ এফকী মমিং ৱার্ল্ড এঠলেটিক্স ওনখ্রে

*ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ১৭ (এজেন্সি)ঃ* মালেমগী এঠলেটিক্স মশান্নগী খ্বাইদগী চাওবা বোদি অমা ওইরম্বা দি ইন্টরনেসনেল এসোসিয়েসন ওফ এঠলেটিক্স ফেদরেসন (আই এ এ এফ) হায়না খঙনরম্বা অসি ৱার্ল্ড এঠলেটিক্স হায়না খঙনরগনি হায়না ঙসি থাদোরকপা ষ্টেটমেন্ট অমনা খঙহল্লক্লি।

এঠলেটিক্স মশান্নগী নৌনা মমিং ওনখ্রবা বোদি ৱার্ল্ড এঠলেটিক্স অসিগী ৱেবসাইটতা মশান্না অসিগা মরী লৈনবা পাউশিং ফংলগনি হায়না পাও অসিনা মখা তারি।

এঠলেটক্সিকা মরী লৈনবা ইভেন্ট অমসুং পাওশিং, মশান্না অসিগী রুলশিং, মমাঙদা লৈরম্বা রেকোর্দ কয়ানচিংবা নৌনা মমিং থোনখ্রবা ৱার্ল্ড এঠলেটিক্সকী ৱেবসাইটতা ফংলগনি হায়রি। চৎলিবা থা অসিগী মনুংদা মরুওইবা কন্টেন্ট কয়া হাপচিন্দুনা ওর্গনাইজেসন অসি মালেমদা হেন্না মশক খঙহন্নবা হোৎনগনি হায়না পাও অসিনা ফোঙদোরক্লি।

## হোক্কী ইন্দিয়ানা নেসনেল কেম্পকী নুপী শান্নরোই ৩৩ খনগৎখ্রে

*ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ১৭ (এজেন্সি)ঃ* ন্যু জিলেন্দগা শান্নগদৌরিবা টুর অসিগী শেম শাবা ওইনা হয়েংদগী বেঙ্গালুরুদা লৈবা স্পোর্টস ওঠোরিটি ওফ ইন্দিয়াদা কোচিং কেম্প পাঙথোক্লবগীদমক হোক্কী ইন্দিয়ানা ইন্দিয়াগী নুপী শান্নরোই ৩৩গী মমিং লাওথোকখ্রে।

কুমজা ২০২০ দা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলেম্পিক গেমসতা ক্বালিফাই ওইখ্রবা মতুং ইন্দিয়াগী নুপী হোক্কী টিম অসি মখা তানা ফজনা শান্নবা ঙম্নবা নেসনেল কেম্প অসি পাঙথোকপনি হায়না হেদ কোচ মারিনেনা ফোঙদোকখি।

নীংশিংবা য়াই, রানীনা লুচিংদুনা শান্নখিবা এফ আই ঐচ হোক্কী ওলেম্পিক ক্বালিফায়রগী মেটচ অনী শান্নখিবদা ইন্দিয়াগী টিম্না য়ু এস এবু এগ্রিগেটতা ৬–৫ দা হেন্দুনা ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিবনি।

ইন্দিয়াগী নুপী হোক্কী টিম্না মথং চহীগী জনুৱারী অমসুং ফেব্রুৱারী থাদা ন্যু জিলেন্দ টুর অসিদা হেন্না ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙম্নবা নেসনেল কোচিং কেম্প অসি পাঙথোক্কদবনি হায়না হোক্কী ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

হয়েংদগী হৌগদৌরিবা নেসনেল হোক্কী কোচিং কেম্প অসিগীদমক খনগৎখ্রবা শান্নরোই ৩৩ গী মমিং অদুদি–

গোলকিপরদা সভিতা, রজনি ইটিমারপু অমসুং বিচু দেবী খারিবমনি। দিফেন্দরদা দিপ গ্রেস ইক্কা, রিনা খোখার, সুমন দেবী থৌদাম, সুনিতা লাক্রা সলিমা টেটে, মনপ্রিত কৌর, গুরজিৎ কৌর, রাসমিটা মিঞ্জ, মহিমা চৌধারি অমসুং নিসানি।

মিডফিল্ডরদা নিক্কী প্রধান, মোনিকা, নেহা গোয়ল, লিলিমা মিঞ্জ, সুসিলা চনু পুখ্রম্বম, চেটনা, রিট, করিসমা যাদব, সোনিকা অমসুং নমিতা টোপ্পোনি। ফোরৱার্দতা খনগৎখ্রবা শান্নরোইশিং অদুদি রানী, লালরেমসিয়ামী, ভন্দনা কটারিয়া, নভজোট কৌর, নভনিত কৌর, রাজৱিন্দর কৌর, জোতি, সরমিলা দেবী, প্রিয়াঙ্কা ৱাঙ্খেদে অমসুং উদিতানি।


MANIPUR STATE POWER DISTRIBUTION COMPANY LIMITED
(3RD FLOOR, NEW DIRECTORATE BUILDING, NEAR 2ND MR GATE.
IMPHAL-DIMAPUR ROAD, IMPHAL, MANIPUR–795001, INDIA)

মীয়ামদা খঙহঞ্জবা

ইম্ফাল, ৮/১১/২০১৯ ইং

No. 3/2015/MSPDCL-COM/RAID/ : মণিপুর ষ্টেট পৱার দিষ্ট্রিব্যুসন কম্পেনি লিমিটেট (এম. এস. পি. দি. সি. এল.) না কঞ্জুমরশিংদা নুমিৎ চুপ্পা মৈ ফংহন্নবা হোৎনরি। মসিগীদমক মীয়ামদগী রিভেন্যু মতম চানা খোমগৎপগা লোয়ননা নিয়মগী ৱাংমদা মৈ কোৎপা, মিটরদা মৈ চঙহন্দনা শীজিন্নবা অমদি মিটরগী খোঙজেল তপথহনবনচিংবা থৌওংশিং থিংনবা হোৎনরি। রিভেন্যু চপচানা খোমগৎপা ঙমদবনা কম্পেনিদা শেল থুমগী অৱাবা কয়া মায়োক্লহল্লি।

ইলেক্ট্রিসিটি এক্ট ২০০৩ গী সেক্সন ১৩৫ গী মতুং ইন্না মৈ হুরানবা হায়বসি খুদক্তা ফাবা পুনবা য়াবগী মরাল লৈরে হায়না লৌগনি। লোয়ননা জেলদা চহি অহুম ফাদোক তাবা, ফাইন থিবা নৎত্রে হায়রগা অনিমক ফংবসু য়াই। মসিগী মথক্তা ফাগৎলবা মরাল লৈরবা কঞ্জুমরশিং অদুগী মিং, লৈফমনচিংবশিং অদু পাউ–চে, প্রিন্ট/ ইলেক্ট্রোনিক মেদিয়া–নচিংবগী খুত্থাংদা মীয়ামদা খঙহল্লগনি।

কম্পেনি অসিনা চাং নাইনা তৌজরিবা থবকশিং অদুদি – রিভেন্যু খোমগৎনবা হোৎনবা, অয়াবা য়াওদনা অমদি নিয়মগী ৱাংমদা মৈ থানবশিং থদৎপা অমদি মৈ কোৎপদা শীজিন্নরিবা পোৎলমশিং ফাগৎপনি।

ককখ্রবা মৈ অদু অমুক শমগে হায়রবদি মরি লৈনবা অকক্লবা ওথোরিটিগী অয়াবা চঙই। করিগুম্বা ককখ্রবা মৈ অদু নিয়মগী ৱাংমদা অমুক হন্না শমজিল্লম্বা তারবদি ইলেক্ট্রিসিটি এক্ট ২০০৩, সেক্সন ১৩৫ গী মতুংইন্না চহি ২ (অনি) ফাওবা মৈ পীদবা য়াই।

কম্পেনি অসিনা মীয়ামদা অতৎ অখম লৈতনা মৈ ফঙহন্নবা হোৎনবদা পায়খৎলক্লিবা থবক থৌরমশিং অসিদা কঞ্জুমরশিংনা মতেং পাংবিনবা হায়জরি।

ENERGY IS LIFE
BEE
CONSERVE IT
মৈ মাঙহন্দবা হায়বসি
মৈ পুথোকপগা মান্নে

Sd/-
মেনেজিং দিরেক্টর,
এম এস পি দি সি এল

SL/Bill(MSPDCL)/17-22